# দিল্লিগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অহুম অমত্তা ওইনা পুনশিনখ্রে, প্রসিদেন্টনা মর্জর অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): নেসনেল কেপিটেলগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অহুম অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী লো প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা সাইন তৌদুনা অয়াবা পীখ্রে। লো অদু লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্তা পাস তৌখ্রবনি।

সেন্টরনা গেজেট নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা ম্যুনিসিপাল বোদি অহুম্বু ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লি হায়না খঙনরগদবা সিঙ্গল এনটিটি অমদা পুনশিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসনদা মর্জর অদুগী বিল পাস তৌখি। প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীরবা মতুংদা দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০২২ এপ্রিল ১৮ দা গেজেটতা ফোঙদুনা চৎনবা হৌহনখ্রে।

কোর্পোরেসন লিংলবা মতুং সেন্সস মপুং ফানা পাঙথোক্লবা মতুংদা দিল্লিগী মীশিংদা যুম্ফম ওইরগা ওফিসিএল গেজেটতা নোটিফিকেসন থোক্তুনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা সিটশিংগী মশিং লেপকনি। মদুদা সেদ্যুল কাষ্টকী মেম্বরশিংগী ওইবা রিজার্ব সিট মশিংসু লেপকদবনি হায়রি।

এক্ট অদুগী মতুং ইন্না সিটশিংগী মশিং লেপকদৌরিবা অদুনা কোর্পোরেসনগী টার্ম লোইদ্রিবা ফাওবদি মদুগী হৌজিক লৈরিবা কম্পোজিসনদা অকায়বা অমত্তা লৈরোই। সেন্টরগী ইন্সট্রক্সন মতুং ইন্না সেদ্যুল কাষ্টকীনি হায়বা সিটশিং তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংদা পাল্লি নাইনা পীগনি হায়নসু এক্ট অদুদা পল্লি।

অপূনবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লিগী ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা তোঙানবা নোটিফিকেসন অমা ইস্যু তৌগনি। এক্ট অদুগী মতুং ইন্না দিল্লিগী ৱার্দশিং নৌনা দ্রো তৌননবা অনৌবা সেন্সস পাঙথোক্লগনি।

দিল্লিগী হৌজিক ম্যুনিসিপাল ৱার্দ ২৭০ হেন্না লৈ। অদুম ওইনমক ওর্গনাইজেসন অহুম অমত্তা ওইনা পুল্লবা মতুংদা নেসনেল কেপিটেলদা ৱার্দ ২৫০ ফাওবা লৈহন্দুনা হৌজিক লৈরিবা মশিংদগী হন্থরগনি।

পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রিল ৫ দা পাস তৌখিবা এমসিদি (এমেন্দমেন্ট) বিল অসিগী মতুং ইন্না অনৌবা এমসিদিগী অহানবা মীফম পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা সেন্টরনা কোর্পোরেসনগী পৱারশিং এক্সর্সাইজ তৌনবা অমদি মসিগী মথৌশিং পাঙথোক্লবা স্পিসিএল ওফিসার অমা এপোইন্ট তৌগদবনি।

লো অসি মরু ওইনা এমসিদিগী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌনরি। মার্চতা পাঙথোক্লবা ইলেক্সন হৌজিক্কী ওইনদি য়ৈথোক্তুনা লৈরিবনি। দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ইন্টিগ্রেসন বিল অসি প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীরবা মতুংদা কোর্পোরেসন অহুম অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী বিল অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌবগা লোয়ননা কেপিটেলদা হৌজিক সাউথ, ইষ্ট, নোর্থ দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন হায়বা অহুম লৈবগী মহুত্তা শুপ্নগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লি অসিদমক লৈরগনি।

য়ুনিফাইদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অসিদা য়াওরিবা জগদিস মঙ্গাইনা হায়, হৌজিক দিলিমিটেসনগী প্রোসেস অমা লাক্লগনি অমসুং মদুগী মতুংদা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লিগী মীখল পাঙথোক্লগনি।

মেয়র অহুম অমসুং কম্মিস্নার অহুমগী মহুত্তা হৌজিক ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লিগী কম্মিস্নার অমত্তমক লৈরগনি হায়খি।

# ‘টেলঙ্গানানা কাঙলূপকী ইরাং থোকহন্নবা হোৎনরকপশিং অকনবা মওংদা দিল তৌগনি’



হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): টেলঙ্গানাগী কাঙলূপ মশেল নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ফিভম অসিদা অকায়বা পীনবা হোৎনরক্লিবা মীওই খুদিংমক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অকনবা মওংদা দিল তৌগনি হায়না ষ্টেট অসিগী ইন্দষ্ট্রিস এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মিনিষ্টর কেটি রামারাওনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিদা মরা তপ্পা ফিভম অমসুং লো এন্দ ওর্দর মেন্টেল তৌবদা অকনবা থৌরাংশিং শীজিন্নগনি। ওল্ড সিটি হায়দ্রবাদ লুপা ক্রোর ৫০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং হৌদোকপগা লোয়ননা উরেপ উয়ুং তম্লবা মতুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কেটিআর হায়রগা হেন্না খঙনবা মিনিষ্টর অসিনা হায়দ্রবাদকী স্কুল অমদা মহাক্না তম্লিঙৈ মতমগী থৌদোকশিং নীংশিংলদুনা ওল্ড সিটি অসিদা কম্যুনেল ইরাং কয়া থোকখি অমসুং চহী খুদিংগী কার্ফিয়ু থমখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি টেলঙ্গানা রাষ্ট্র সম্মিথি (টিআরএস) না গভর্নমেন্ট শেমখিবদগী হায়দ্রবাদ নত্ত্রগা ষ্টেট অসিগী মফমশিংদা কাঙলূপকী ইরাংশিং থোক্লকপা লৈত্রি। টিআরএসনা কৈদৌঙৈদসু লাইনিং লাইশোলগী মিংদা পোলিটিক্স তৌখিদে। ঐখোয়না প্রোগ্রেসকী পোলিটিক্সতা থাজবা থম্মী। ঐখোয়না শেমগৎ শাগৎপগী পোলিটিক্সতা থাজবা থম্মী। তৌইগুম্বসুং মাঙহন তাকহনবগী পোলিটিক্সতদি থাজবা থমদে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

পার্টি অমত্তগী মিং পন্দবীদা মহাক্না হায়খি, মদুদি লাইনিং লাইশোলগী মিংদা নত্ত্রগা কাষ্টকী মিংদা মীওই খরনা পোলিটিকেল্লি খুদোংচাবা লৌনবগীদমক্তা মীয়াম্বু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনখি। অসিগুম্বা ফোর্সশিংবু রিজেক্ট তৌবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাংনি।

ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং অর্বান দিভলপমেন্টগী মিনিষ্টরসু ওইরিবা কেটিআরনা হায়খি, মদুদি নোংমখক্তদা লুপা ক্রোর ৫০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং লোঞ্চ তৌরিবা অসিনা ওল্ড সিটি হায়দ্রবাদপু চাওখৎহন্নবা চন্দ্রসেখর রাওনা লুচিংবা গভর্নমেন্টগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়বসি উৎলি।

গভর্নমেন্টনা অনৌবা সিটিগা মান্ননা ওল্ড সিটি অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মিনিষ্টর অসিনা বহাদুর পুরা জঙ্কসনদা অনৌবা ফ্লাই ওভর অমা শঙ্গাখি। মিটর ৭৮০ শাংবা বহাদুর পুরা পুলিস ষ্টেসনদগী জৱাহরলাল নেহরু জুলোজিকেল পার্ক ফাওবা য়ৌবা ফ্লাই ওভর অদু ষ্ট্রেটিজিক রোদ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা লুপা ক্রোর ১৯০ চঙনা শাখিবনি। লেন্দ তরুক্কী বাই-দিরেকস্নেল ফ্লাই ওভর অদুনা বহাদুরপুরাদা কা হেন্না মী চিনবগী ফিভম ফগৎহল্লগনি। মিনিষ্টর অসিনা হায়দ্রবাদকী এমটি অশাউদ্দিন ওৱাইসিনা পীরকপা সজেসন য়াদুনা ফ্লাই ওভর অদু জামিয়া নাজিমিয়াগী ফাউন্দর ফাজিলা জুং হাফিস মোহম্মদ অনৱারুল্লা ফারুক্কী মমিং লৌদুনা থোনখি।

# ‘জহাঙ্গিরপুরি ভাইওলেন্স: লৈবাক্কী, পিএমগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবনি’



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): জহাঙ্গিরপুরিদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অদু য়ুনাইটেদ কিংদমগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী ইন্দিয়া খোঙচৎকী মাঙওইননা লৈবাক্কী অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবা অমনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নোর্থ ৱেষ্ট দিল্লিগী বিজেপি এমপি হান্স রাজ হান্সনা ফোঙদোকখ্রে।

হনুমান জয়েন্তি প্রোসেসন মনুংদা হাৎন শুনবগী ইরাং থোকখিবা জহাঙ্গিরপুরি অসি হান্সকী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুসন মনুংদা লৈরিবনি।

দিল্লিগী বিজেপি ওফিসতা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্সনা হায়খি, মদুদি বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরি।

মরম অদুনা মনুংগী ওইবা মীওইশিং অমদি মপানগী মীওই কয়ানা লৈবাক অসিগী অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মতম পুম্বদা ইন্দিয়াবু নম্বর ৱান লৈবাক ওইহন্নবা হোৎনদুনতা লৈরিবনি। তশেংনমক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইন্টরনেসনেল পার্সোনেলিটি অমা ওইরে হায়না হান্সনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সুফি শৈশকপা অমা ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ান ওইরকখিবা হান্সনা মখা তানা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিগী মিংচৎ শোকহনবা পাম্বা মীওইশিংদি মরা তপ্পা অমদি নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ফিভমদা অকায়বা পীরকপা য়াবা মীওইশিংনি। মখোয়বু ঐখোয়না ঙাকপীরোই হায়নসু বিজেপিগী এমপি অসিনা ফোঙদোকখি।

## বিজিনেস সম্মিট মাঙওইননা নোংমৈ কাপ্নখ্রে

কোলকত্তা, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী): কোলকত্তানা থৌবু ওইদুনা বেঙ্গল গ্লোবেল বিজিনেস সম্মিট, ২০২২ পাঙথোক্কদবা নোংমা খক্তা ঙাইরবা মতম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিটি অসিদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখ্রে।

থৌদোক অদু লৈবাকপোকপগী অয়ুক্তা সাউথ কোলকত্তাগী বান্সদ্রোনিদা থোকখিবনি। পুলিস ছোর্সশিংনা ফোঙদোরকখিবদা নোংমৈ কাপ্নবা অদু রিয়েল ইষ্টেট রো মেটরিয়েল সপ্লাই সিন্দিকেট অনীগী মরক্তা মুক্নরকপদগী থোকখিবনি।

মসি চয়োল অমগী মতম মনুংদা রাইবেল রিয়েল ইষ্টেট সিন্দিকেটশিংগী মরক্তা থোক্লকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অহুমশুবনি হায়রি।

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 259/SDC/NBL of 2022**

1) Yumnam Deben Singh, S/o (Late) Y. Birachandra Singh of Keishamthong Moirang Ningthou Leirak
2) Yumnam Bijoy Singh, S/o (Late) -do- of -do-
3) Yumnam Birjit Singh, S/o (Late) -do- of -do-
4) Yumnam Homendro Singh, S/o (Late) -do- of -do-
-Petitioners

-Vrs-

(Late) Yumnam (ongbi) Maipakpi Devi, W/o (Late) Y. Birachandra Singh of Keishamthong Moirangningthou Leirak - O.P.

**/ NOTICE**

Dtd. 19/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 25-Kabowakching (1) Patta No. 25/208 (old) 25/580 (New) Dag No. 1070 area 0.20 acre, Class Ingkhol (2) Patta No. 25/188 (old) 25/577 (New) Dag No. 1215 area 1.39 acre, Class Phourel হায়রিবা ইঙ্খোল অমসুং লৌফম অসিগী pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারি মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অমসুং লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/2077/20

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 277/SDC/NTK/2022**

1. Laishram Sharat Singh, S/o (L) Kodom Singh of Nachou Ward No. 2
2. Laishram Inao Singh, S/o (L) Ibochou Singh of -do-
3. Laishram Babumacha Singh, S/o (L) Ibochou Singh of -do-
4. Laishram Joychandra Singh, S/o (L) Biramangol Singh of -do-
5. Nongmaithem Sonamani Singh, S/o (L) Mohon Singh of -do-
6. Nongmaithem (O) Manisana Devi, W/o (L) Dhono Singh of -do-
7. Nongmaithem Gopen Singh, S/o (L) Mohon Singh of -do- - Petitioner

-Versus-

1) Late Laishram Kodom Singh, S/o Jugol Singh of Nachou
2) Late Nongmaithem Muhon Singh, S/o Tollamu Singh of Nachou
3) Late Laishram Biramangol Singh, S/o (L) Gopal Singh
- Opponent

**/ NOTICE**

Ningthoukhong, the 19th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 41-Nachou village গী Patta No. 406, 232 (N) C.S. Dag No. 1393, 1428, 1449 Area 4.37 acreof Taothabi class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা Apati অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Ningthoukhong, Manipur

HL-P/2079/20




### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 88 of 2022**

-Petitioners
1) Maibam Manglembi Devi, D/o (L) Sanajaoba Singh of Heirangoithong Maibam Leikai
2) Irom Juge Singh, S/o Thambalgou Singh of Pangantabi

-Vrs-

- Opp. (Late) Maibam Sanajaoba Singh, S/o (L) Ibungo Singh of Heirangoithong Maibam Leikai

**/ NOTICE**

Dtd. 18/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৮ নুঙ ৱাপোকপী পাট্টা নং ৩৩/৬৩৪ দাগ নং ৯৬/২১৬ এরিয়া .৬৩ একর চাওবা ফৌরেল/অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাটা নাম্মা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Sugnu

HL-P/2295/20

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 72/SDC/Bishnupur, 2022**

Thiyam Ongbi Bimola Devi, W/o (L) Th. Budhachandra Singh of Bishnupur Ward No. 8 - Petitioner

-Vs-

Thiyam Budhachandra Singh, S/o (L) Th. Modhu Singh of Bishnupur Ward No. 8 - O.P.

**/ NOTICE**

Bishnupur, the 19-04-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thiyam Budhachandra Singh S/o (L) Th. Modhu Singh of Bishnupur Ward No. 8 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur Awang পাট্টা নং 297 (অরিবা), 1080/3144 (অনৌবা)সি: এস: দাগ নং 1971/6933 গী 0.03 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চৎথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

HL-P/2297/20

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 274/SDC/NBL of 2022**

Lairenjam Inaoba Singh, S/o (Late) L. Bheighya Singh of Kakyai Mamang Leikai -Petitioners

-Vrs-

(Late) Lairenjam Santa Singh, S/o (Late) L. Bheighya Singh of Kakyai - O.P.

**/ NOTICE**

Dtd. 19/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8-Kakyai Patta No. 190 (old) 553/1205 (New) Dag No. 469/1727 area 0.092 acre, Class Ingkhol হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারি মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/2077/20

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref. Mutation Case No. 172/SDC/SWG/2022**

Parties : Yaikhom Vivekananda, S/o Yaikhom Birendra of Khurai Chingangbam Leikai - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Yaikhom Birchand Singh, S/o (L) Gourachand Singh of Khurai Chingangbam Leikai - Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 19th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 76-Tellou পট্টা ন: 485 (অরিবা) 48 (অনৌবা) দাগ ন: 1047 মোট এরিয়া 1.64 একর চাওবা ফৌরেল/লৌফমগী পাট্টাদার Yaikhom Birchand অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung** Imphal East

HL-P/2301/20

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 273/SDC/NBL of 2022**

1. Hodam Nomita Chanu, D/o H. Kamdebo Meitei of Keishamthong Hodam Leirak -Petitioners

-Vrs-

(Late) Hodam Kamdebo Singh, S/o H. Lasmon Singh of Keishamthong Hodam Leirak - O.P.

**/ NOTICE**

Dtd. 19/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23-Maibam Patta No. 168 (old) 350 (New) Dag No. 312/3200 area 1.08 acre, Class Phourel হায়রিবা লৌফম অসিগী pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারি মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/2077/20

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref. Mutation Case No. 186/SDC/SWG/2022**

Parties : Swami Golmei, S/o (L) Golmei Romon Singh of Keishamthong - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Pandirung Kabui, S/o (L) Poujaichung Kabui of Keishamthong - Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 19th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 28-Itam পট্টা ন: .... (অরিবা) 43 (অনৌবা) দাগ ন: 54 & 55 মোট এরিয়া 0.10 & 1.30 একর চাওবা ফৌরেল/লৌফমগী পাট্টাদার Pandirung Kabui অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung** Imphal East

HL-P/2301/20

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref. Mutation Case No. 109 of 2022**

Pukhrambam Ameet Singh, S/o (L) P. Ibotombi Singh of Langol Lairembi Leikai -Applicant

-Vs-

(L) Ningthemcha (N) Pukhrambam (O) Sanatombi Devi, W/o (L) P. Ibotombi Singh of Uripok Haobam Dewan Leikai -O.P. Pattadars

**/ NOTICE**

Oinam, 19/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৯৯৫ (অনৌবা) দাগ নং ৩০০১/৩০১০, এরিয়া একর ২.৫০ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী শরুকমখৈ মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Ph. Kumar Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/2300/20

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref. Mutation Case No. 188/SDC/SWG/2022**

Parties : Mutum Chaobihal Singh, S/o (L) Tomba Singh of Nongpok Sanjenbam Khunou - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Mutum Tomba Singh, S/o Chandra Singh of Sanjenbam - Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 19th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 59-Sanjenbam পট্টা ন: 308 (অরিবা) 212 (অনৌবা) দাগ ন: ১০৯৩ মোট এরিয়া ০.৭৩ একর চাওবা অঙনফৌ/লৌফমগী পাট্টাদার মুতুম তোম্বা সিংহ অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃ: গী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung** Imphal East

HL-P/2301/20